**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 04-05-2026)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০৪-০৫-২০২৬, নিংথৌকাবা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফেরজোল জিলাদগী নোংমৈ ৯ য়াওনা খূৎশু খূৎলাই কয়ামরুম ফাগৎলে।

২) মে ৩ দগী হৌরকখিবা মণিপুরগী ইরাংদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মফমদা ইকাই খুমবা উৎপগী থৌরমশিং পাক শন্না পাঙথোকখ্রে।

**অমসুং**

৩) নোংচুপ বেঙ্গল, কেরলম, তামিল নাদু, অসাম অমসুং পুদুচেরি বিধান সভা মীখলশিংগী ভোৎ মশিং হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুং অয়ুক পুং ৮ দগী থিবা হৌগনি।

----

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফমশিংদা এরিয়া দোমিনেসন অমসুং থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ট্রোল রুমা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-ফেরজোল জিলাগী ঙাম্পাবুং অমসুং ফুলপুই ভিলেজগী মরক্তা লৈবা মফম অমদগী খূৎশু

খূৎলাই কয়ামরুম ফাগৎলে। খূৎলাইশিং অদুগী মনুংদা মেগজিন য়াওবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল ১, কন্ত্রি মেদ শিঙ্গল বেরেল রাইফল ৭, মেগজিন য়াওবা কন্ত্রি মেদ পিষ্টোল ১, পম্পী ২, পম্পীগী মরু ৩২, ফিফতি ৱান এম.এমগী মোর্তার সেল ১ অমসুং বৌফেং ৱাক্কি তোল্কি সেট অমা য়াওরি।

অমরোমদা, মণিপুরগী চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফম ১০৯ দা সেক্যুরিতি চেক পোইন্টশিং হাংদোক্তুনা অকনবা চেকশিল থৌরাংশিং লৌখৎলি। তোকঙা অমসুং অরানবা ভিদিওশিংদা থাজবীদনবসু রাজ্য পুলিসনা আপিল তৌরি। ভিদিও অমসুং ওদিওনচিংবা সোসিয়েল মেদিয়াদা থাদোরকপশিং অদু চুম্মি নত্রগা লাল্লি হায়বা খঙদোকবগীদমক সেন্ত্রেল কন্ত্রোল রুমগী নম্বর 9233522822 ফোন তৌরকপা য়াগনি হায়রি। সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা শাশিন্নবা পোষ্টশিং অচুম অরান খঙদনা হেক্তমক থাদোক থাজিন তৌনবশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা থবকশিং লৌখৎকনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

**লৈ কৎপা(এল)ঃ** কুমজা ২০২৩ গী মে ৩ দগী হৌরকখিবা মণিপুরগী ইরাং অসি ঙরাং চহী অহুম মপুং ফারকপগা লোয়ননা, মফম কয়াদা মীয়ামা ইরাং অসিদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মফমদা ইকাই খুমবা উৎপগী থৌরম কয়া পাক শন্না পাঙথোকখি।

অরাম্বাই তেঙ্গোল য়াওনা তোঙান তোঙানবা লুপ অমদি লৈকাই লৈকাইগী ক্লবশিংনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা নিংশিং থৌরমশিং অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ফোতোদা লৈ কত্তুনা ইকাই খুমবা উৎখি। য়াইরিপোক বামেন লৈকাই কম্মুানিতি হোলদসু লৈখিদ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা ইকাই খুমবা উৎপগী থৌরম পাঙথোকখি। অরাম্বাই তেঙ্গোল য়ুনিট ২৭ শামুরৌ অমদি শায়োল স্কাউট টিমনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরমদা ৱা ঙাংখিবশিংনা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম ঙাক্তুনা থমবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা, শামুরৌ মাইকৈগী ক্লব

ওর্গনাইজেসন মৈরাপায়বী লুপশিংনা শরুক য়াখি।

মণিপুরগী ইরাংনা চহী অহুম মপুং পারকপগা মরী লৈননা দেল্লিগী জন্তর মন্তরদসু মফম অদুদা লৈবা মণিপুরীশিংনা শরুক য়াদুনা ৱাকৎ খোঙজং চখখি। থার্দ মে ওর্গনাইজিং কম্মিতিগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা অপুনবা মণিপুরগীদমক ঐখোয়না লেপ্লি, নোংমৈ মরুনা শান্তি পুরকপা ঙম্লোই, হিংশা লেপ্পু অমসুং কুকি মিলিতেন্টশিংগা চখরিবা সু লেপ্পু হায়বনচিংবা প্লে কার্দশিং পায়খি।

**নিট(এল)ঃ** লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মণিপুরদসু ঙরাং নেসনেল ইলিজিবিলিতি কম এন্ত্রান্স তেষ্ট (নিট)-য়ু.জি পরিক্ষা অশোই অঙাম য়াওদনা পাঙথোকখ্রে। এম.বি.বি.এস, বি.দি.এস অমসুং আয়ুসনচিংবগী অন্দর গ্রেজ্যএদ মেদিকেল কোর্সশিংদা মীং চন্নবগীদমক নিটকী পরিক্ষা অসি নেসনেল তেষ্টিং এজেন্সী(এন.টি.এ)না শিন্দুনা লৈবাক্কী মফম শিনবা থুংবদা পাঙথোকপনি।

নিট-য়ু.জি ইম্ফাল সেন্তরগী এন.টি.এ সিতি কোওর্দিনেতর ওইরিবা কে.ভি নম্বর ৱান ইম্ফালগী প্রিন্সিপাল বিস্বানাথ নম্মরামনা অকাশবানি ইম্ফালদা হায়-ইম্ফাল সেন্তরগী ওইনা পুন্না এগজাম সেন্তর ১৫ দা পরিক্ষা অসি পাঙথোকখি। মসিগী মনুংদা ইম্ফাল ইষ্টতা সেন্তর ২ অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টতনা সেন্তর ১৩ নি। সেন্তর অসিগী ওইনা পুন্না মহৈরোই লিশিং ৮,৬২২ না রেজিস্তর তৌরকপগী মনুংদা, লিশিং ৮,৩১১ না পরিক্ষা থাখি। শ্রী বিস্বানাথনা হায়-

**কাউন্তিংঃ** রাজ্য ৪- নোংচুপ বেঙ্গল, কেরলম, তামিল নাদু, অসাম অমসুং য়ুনিয়ন টেরিতোরি পুদুচেরি বিধান সভা মীখলশিংগী ভোৎ মশিং ঙসি থিরগনি। ভোৎ মশিং হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুং অয়ুক পুং ৮ দগী থিবা হৌগনি। অহানবদা, পোষ্টেল বেল্লোটশিংগী ভোৎ মশিং হান্না থিগনি। অয়ুক পুং ৮ মখায়দগীনা

ইলেক্ট্রোনিক ভোতিং মেছিনশিংগী ভোৎ মশিং থিবা হৌগনি। মীখল অসিগী ফল ঙসি অয়ুক পুং ১১ মখায়রোম তারকপা মতমদা ফংবা হৌরবা য়াই হায়না পানরি। ভোৎ মশিং থিবগী থবক অশোই অঙাম য়াওদনা নিংথিনা পাঙথোকপা ঙমবা ইলেক্সন কন্মিসননা ভোৎ মশিং থিফমশিংগী অকোইবদা অকনবা চেকশিল থৌরাংশিং লৌখৎলে। সিট ১২৬ লৈবা অসাম, সিট ১৪০ লৈবা কেরলম অমসুং সিট ৩০ লৈবা পুদুচেরিগী মীখলগী ভোৎ মমাঙ থাগী ৯ দা থাদনখি। সিট ২৩৪ লৈবা তামিল নাদু অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলগী সিট ১৫২গী অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলগী ভোৎনা মমাঙ থাগী ২৩ দা থাদনখি। সিট ১৪২ লৈবা নোংচুপ বেঙ্গলগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী ভোৎনা মমাঙ থাগী ২৯ দা থাদনখিবনি।

নোংচুপ বেঙ্গলদা পুন্না সেন্তর ৭৭ তা ভোৎ মশিং থিগনি। মীরেপ ওইখিবশিং অমদি মখোয়বু শৌগৎপশিংনা মীখলগী ফল খৌরাংনা ঙাইনখি।

**রাজনাথঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা উট্টর প্রদেশকী প্রয়াগরাজতা ঙসি রক্সা ত্রিবেনি শঙ্গম হায়বা ৱাখল্লোনদা পাঙথোক্কদবা নোর্থ টেক্ট এগজিবিসন হৌদোক্কনি। ঙাকশেল মন্ত্রালয়গী পাউনা হায়-এগজিবিসন অদুদা মতমগী মতুং ইন্না শিংনবা কয়া লাক্লিবা অসি থেংনবা ঙমবা হোৎনবদা লৈবাক অসিদা শাজবা ঙাকশেলগী খুৎশু খুৎলাইশিং পুথোকপগী লমদা লৌরিবা থৌদাং কয়া উৎকনি। এগজিবিসন অদুদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা এম.এস.এম.ঈ, প্রাইভেট দিফেন্স তেক্ট ফার্ম, স্তার্ট অপ অমসুং ইন্নোভেতরশিংনা শরুক য়াগনি। কম্পনি ২৮০ হেনবনা মখোয় মখোয়না পুথোকপা খ্বাইদগী নৌবা ইন্নোভেসন অমসুং টেকোলোজিশিং উৎননবা শেম শারি। নুমিৎ হুমি চুপা পাঙথোক্কদবা এগজিবিসন অসি ভারত লান্মীগী নোর্দন কম্মান্দ এন্দ সেন্ত্রেল কম্মান্দনা সোসাইতি ওফ ইন্দিয়ন দিফেন্স মেন্যুফেকচররগা পুন্না শিনবনি।

**মৈঃ** নিউ দেল্লিগী ভিভেক বিহার এরিয়াদা থোকখিবা মৈ চাকপগী থৌদোক অমদা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, উপ রাস্ত্রপতি সি.পি রধাকৃষ্ণন অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। থৌদোক অদুদা, লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংদা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা শোক্লবশিংবু থুনা ফগৎলকবা ইস্বরগী মফমদা প্রথনা তৌরি হায়নসু ফোঙদোক্লি। থৌদোক অদুদা, লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংদা লূপা লাক্ষ ২ অমসুং শোক্লবশিংগী মফমদনা লূপা লিশিং ৫০-৫০ পীরগনি হায়নসু প্রধান মন্ত্রিনা লাউথোকখ্রে। থৌদোক অদুবু, অৱাবা ফোঙদোক্লদুনা গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহনা থমোই শোকিঙাই ওইরবা থৌদোক অদুদা শোক্লবশিং লায়েংনবা হোৎনবদা মফম অদুগী এদমিনিষ্ট্রেসননা লৌখিবা থৌদাং অদুবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মীয়ামগী মীফমদা খোঙজং হেন্না কনশিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে, মণিপ্‌র মশুং অহুম থোকা থুগাইবগী ৱাফম অমা অথুবা মতমদা থোরকপা য়ানা লৈ হায়বা পাউনা পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুর অমসুং ইংলিস ইদিসন, নহারোলগী থৌদাং অমসুং সনালৈবাক পাউচেশিংদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

চহী অহুম লোইখ্রে, লৈঙাকসু অহুম শুখ্রে, ইরাংগী ৱারোইশিনদি পুরকপা ঙমদ্রি হায়বা পাউ অমসু- সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইয়রপোর্ট মনাক্তা বোম পোখাইখ্রে, কে.সি.পি-পি.এস.সিনা ক্লেম থৌরক্লি হায়বা পাউনা- শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

টিদ্দিম রোদ থিংগনি হায়না তৌরম্বদু তোকখ্রে হায়বা পাউনা- শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসন পাউচেগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙবা থেংনরি। কাংলুপকী ইরাংনা থিবা খঙখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংশিংনা ঙসিসু ঙাইদুনা লৈরি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

লো এন্দ ওর্দর কেকু লোত্তুনা লৈরব্রা, ইম্ফাল এয়রপোর্টকী চেকপল মনাক্তা বোম পোখাইহল্লম্লে হায়বা পাউনা- হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

এম.এল.এশিংনা ফম থাদোক্তুনা প্রজানা অপান্বা লৈঙাক খঞ্জনবগী খুদোংচাবা পীবা মথৌ তারে হায়না সি.এল.পি লিদর কৈশাম মেঘচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমনা- নহারোলগী থৌদাং অমসুং দ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোঙবা থেংনরি । পাউ অসি- সেনাপতিদা ফোঙবা হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

গানফিউ মেলদা- জেট এস.য়ু.দিগী ইং ২০২৬-২৭ কী থৌ পুগদবা মীওইশিং খনখ্রে হায়বা পাউ, কাংপোকপীদা সেপরেসন ডে পাঙথোকখিবগী পাউনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

তামেংলোং তাইমসতা- থাদৌ ইনপী মনিপুরনা চর্চ অমদি মখোয়গী ত্রাইভশিংদা মে ৩ বু মণিপুর পিছ ডে হায়না পালন তৌনবা তকশিনখ্রে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

**---পাউ লোইজরে---**